# নোংপোক অমসুং নোংচুপ

- এস ইন্দ্রকুমার-



সোক্রেটিসনা হায়রম্মী - 'নশাতবু মুন্না মশক খঙজৌ, অতৈ পূম্ন মক অরেম্বনি'। 'শ্রীমদভগবদ গীতা' দসু পাক চাউরবা তাইবঙপানসিগী মশক তাক্লবা হোৎনরকপদা, পন্দুপ তরানিপান্দা নৈনরিবা মরু ওইবা হীরম মরিদুগী মনুংদা অহানবনি - দ ইন্দিভিজ্যুঅল (সেল্ফ), মী-ওইবা মশাবু মশানা শক খঙবা। অনীশুবদা, তিংপানবা-দ য়ুনিভর্স (সংসার) নৎত্রগা পূমসুপ শুপ্পা শক্তি (ঈশ্বর) মাবু মশক খঙবা। অহুমশুবদা, অনীসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদু মশক খঙবা অদুগা মরিশুবদনা, ঐহাক ইশা (ইন্দিভিজ্যুঅল) অসি চনৈনবা মরক্তুদগী করম্না নীং তমগদগে (লিবরেশন ওফ সেল্ফ) খঙননবা হোৎনবা। মালেমসিদা লৈরিবা রিলিজন/ধর্ম্ম খুদিংমক্কী মরু ওইবা পান্দমসু, ধর্ম্ম'দুদা থাজবা মীশিং অদু মশানা মশাবু মশক খঙজহনবনি। লম্বী (পান্থে) দু খেন্নব'খক্তনি। লাল্লব্রা?

ইশাগী ওইজবা থিগনু, ওইজবা থাদোকউ তোল্ল'-তারব-লায়র'-অনঙগী থৌগল তৌ, তাইবঙ মপুনা চানগনি... মালেমসিদা লৈরিবা 'রিলিজন' খুদিংমক্কী পাউজেলনি। ওইজবা থিদবা, ওইজবা থাদোকপা, অতোপ্পবু নুংশিবা হায়বা থবক অসি হায়বদবু লায়বনি। অরায়বা থবক অমা নত্তে, অরুবা থবক অমনি/'ওইজবা থিদবা' হায়বা থবক অদু তৌদনবগীদমক 'ওইজবা থিবা' হায়বা থবক অদুসু মশক খঙবা তঙাইফদে। 'নঙ নশাবু হান্না মশক খঙউ' হায়বা ৱা'সিদা ঐ ইশাবু শক খঙবখক নত্তবা, অতোপ্পবুসু মশক খঙবগী ৱা য়াওরি। মহাক মশাবু মশক খঙজরবা মহাক্তুদি অতোপ্পবু মশক খঙবা ইরায় লায়না ঙমগনি। ওইজবা থিবা নৎত্রগা থাদোকপা, কথোকপা নৎত্রগা কল্লকপা - পূন্নমক, ইশাগী ইশক খঙজবগা তৎনবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। ঐ ইশক খঙদনা কল্লকপা, খন্থনবা, নুংশিবা, নুংওনবা, কথোকপা, করাম্বা... ওইজবা থিবা নৎত্রগা ওইজবা থাদোকপা... অসিনচিংবা মীওইবগী 'পূক্লিং-ইহুল' মশক খঙবা ওইথোক্তে।

মশাগী ওইজবা-থিবা/ওইজবা থাদোকপা/কথোকপা হায়বনচিংবা থবকশিং অসি নোংচুপলোমদগী হৌরকপা রিলিজনশিংগীদমক্তি খ্বাইদই অথোইবা থবক্নি শীংথানৈ। অঙাং ওইরিবা মচাশিংদা মমাশিংনা পাউতাক পী... 'কৈদৌঙৈদা নশাগী ওইজবা থিগনু, অতোপ্পগী মতেং পাংউ' ... (দু নোট বি সেলফিস, হেল্প অদর্স)। স্কুলশিংদসু মথক থোংবশিংনা, মখা থাবা জুনিয়রশিংদা পাউতাক অসি তাক্লকপদা ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা নুপামচা অমনা নোংমা খুন্নকখি হায়... 'করিগীনো ইয়াম্বা ৱাফম অসি ইথক থোংবশিংনা অসুক য়াম্না লুহল্লিবা... ঐনা অতোপ্পবু মতেং পাংবা, অতোপ্পনা অমুক ঐগী ইতেং পাংবা... অসুম্না পাউতাক পীদৌ শরুক, মশা-মশাগী মথৌ মশক খঙনা তৌননবা হায়বা করি কায়বগে... ঐসু ইশানা ইশাগী ইতেং পাংজবা, অতোপ্পা ময়াম অসিসু মশানা মশাগী মতেং পাংজবা'...?

নোংপোক্লোমগী রিলিজস-প্রাক্টিসশিং অসিবু নোংচুপলোমগী রিলিজস লীদরশিংনা কন্দম তৌই। য়ানীংদে। করেম কথায়নৈ। মরমদি, মখোয়গী মীৎ'তা থৌওংশিং অসি কান্নদবা (সেল্ফ-সেন্টরদ ওইবা/সেলফিস ওইবা) থবক ওইনা উই। গৌতম বুদ্ধ/মহাবীরনচিংবা স্পিরিচ্যুঅল মাষ্টরশিংনা তৌরম্বা প্রাক্টিস-মীৎ উইশিন্দুনা ধ্যান (তপশ্য) তৌবা, ঙসিগী মীরোল অসিগীনা 'মেদিটেশন' -কন্সেন্ত্রেশন ওফ দ মাইন্দ (য়োগিক প্রাক্টিস) - মখোয়না খ্বাইদই য়ানীংদবা থৌওং ওইনা উই। মখোয়না হায়... 'তাইবঙপানবা (রিঅলিটি) অসিদনা লায়র-অনঙ, চানীংঙাই-শেৎনীংঙাই লৈত্রবা, তীনচেন-লাইচেন্নবা মীনা পীক থন্না লৈরগা, মখোয়গী মতেং পাংনবা থবক তৌদনা তূমিন ফম্লগা ধ্যান তৌদুনা/মেদিটেশন তৌদুনা লৈবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মাঙনবগী মশক ওইবা, মশাখক্কী পেন্নবা/নুংঙাইবা থিবই থৌওংনি, খুন্নাইসিদা কান্নবা থবক নত্তে। বুদ্ধগুম, মহাবীরগুম চহী কয়া ধ্যান তৌদুনা ফম্লগা, মশানা মশাবু মনুং হুৎনা য়েংনবা, সেল্ফ-ইন্ত্রোস্পেক্সন তৌনবা হোৎনবগী মহুৎ স্কুল অমদা চঙদুনা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বীগদবনি... হোস্পিটাল অমদা চঙলগা অনাবশিংগী থৌগল তৌগদবনি... মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগীলৈফম (ওর্ফানেজ) লীংখৎকদবনি... মাদর টেরেসাগুম মশাগী ওইজবা থিদনা, মপূন্সি চূপ্পা কথোক্তুনা থবক তৌরগা নোবেল প্রাইজ ফংবা য়াবা মী ওইগদবনি... মীচম অমনা তৌবা ঙমদবা অঙকপা থবক (মিরাকল) অমা তৌদুনা 'সেইন্ট' অমা ওইগদবনি। 'মেদিটেশন' - কান্নদবা থৌওংনি। ঈশ্বরদা খুরুম্বা, প্রেয়র, প্রার্থনা তৌফম থোকপা, ওইজবা থাদোকপগী থৌওংনি। গৌতম বুদ্ধনা কনা লৈত্রবা, লায়রবশিংগী লায়রবা কোক্লবা থবক তৌরমদে, অনাবশিংবু লায়েংনবা থবক তৌরমদে, অহল ওইরবশিংগী চঙজফম শেমগৎলমদে। অদুনা মহাক ধর্ম্ম লৈবা মীশক নত্তে। মহাক্লা তৌরম্বদি তূমিন ফমদুনা লৈরগা নৎত্রগা মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎলগা পূক্লিংদা মঙাল পীবা ৱা খরা ঙাঙলম্বদু খক্তনি। মঙাল নাইবা, অরান খুভম ফংবা মী অমা ওইরকখিবা - মশাগী ওইজবা থিবা থবক্তুগী পনখৈনি - নোংচুপলোমগী ৱাখলনি।

নোংপোকলোমগী ৱাখল্লোন'না মসিগী ওন্ন-তৈনব'দুমক্লি। রিজনেবল ওইবা, লোজিকল ওইবা অন্দরষ্টেন্দেবল ওইবা - মসিনা হেল্লি হায়বা তাই। মখোয়না খল্লি - ইশাগী পূক্লিং শান্তি ওইদনা অতোপ্পা কনাগী পূক্লিং ঈংথহনবা ঙমগনি? ইশাদগী মঙাল অমা থক্তোকহনবা ঙমদনা, অতোপ্পা কনাগী লম্বীদা মঙাল পীবা ঙমগনি? ঈপাক অমদা ঈরাক্লরিবা কনাগুম্বা অমবু কনগে নীংলবদি ইশামক হান্না ইরোইবা হৈবা তাবনি। ইশামক্লা অমম্বদা লৈরগা অতোপ্পদা মঙাল পীবা কদায়দগী ঙম্লনি? নোংপোকলোমগী তাইবঙগা নোংচুপলোমগী তাইবংগা, অনীসিগী খেন্নবা, নুং-পান অনীগী খেন্নবা অদুমক্লি। ইন্নর-ৱর্ল্ড (নুংগী তাইবঙপান) দা চৎনরিবা 'লো' গা, আউটর-ৱর্ল্ড (পানগী তাইবঙপান) দা চৎনরিবা 'লো' গা, অনীসিসু তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা মফাং মফাং চৎনখিবা লম্বীগুম্বনি। নোংপোক'লমগী ফিলোজোফি'না নুংগী তাইবঙ অদুদা ইনাক-খুনবা, ৱাত্ত-পাদবা মী ওইবা। অদুগা, নোংচুপলোমগী ফিলোজোফি'না পানগী তাইবঙ অসিদা ৱাত্ত-পাদবা, মরল লৈবা মী ওইবা। অমনা, স্পিরিচ্যুঅল ইকোনোমিক্স অমসুং ওর্দিনেরি ইকোনোমিক্স। ওর্দিনেরি ইকোনোমিক্স'না হায়রিবনা... 'হেন্না পীথোক্লিবমখৈ, হেন্না হেন্না ময়েং তাথরক্কনি'...। স্পিরিচ্যুঅল ইকোনোমিক্স'কী কন্সেপ্ট'না ... 'নহাক্লা হেন্না পীথোক্লিবমখৈ, নরলদু হেন্না পাথোরক্কনি, পীথোক্তনা লৈরবদি লেপ্তুনা ময়েং তাথরক্কনি...।

নোংচুপলোমগী মীনা হায়... 'ইন্নর-ৱর্ল্ড' দা ইনাক খুন্নবা হোৎনরিবা, মশানা মশাবু মশক খঙনবা হোৎনজরিবা মখোয় পূন্নমক সেলফিস ওইবা, ওইজবা থিবা ঙাক্তনি...। মখোয়না থাজে... 'ইনাক খুনবা, মরল লৈবা, মীঙোন্দা দান তৌবা ঙম্বা, চেরিটেবল ট্রষ্ট লীংখৎপা, ওর্ফানেজ শেমগত্তুনা মমা-মপা-ময়ূম লৈজদবা অঙাংশিংগী চঙজফম পীবা, পীজ-পীথক তৌবা ঙম্বা মীওইশিংদু সেলফিস ওইদবা ঈশ্বরগী অশেংবা মনাইনি'...।

নোংপোকলোমগী স্পিরিচ্যুঅল লীদরশিংনা হায়রিবনা...'খৌগংলবা মালেমদা নোংগী ঈরীক খিক্তুনা মহৈ-মরোং চুমহনগে, অশংবা মালেম ওইহনগে হায়রবদি নোংমদোলথক্কী লৈচিলদু নোংলিক্লা থল্লবা অমুবা লৈচিল ওইবা তাই... মশামক ওইয়ু অমুবা লৈচিল...। ●

# মণিপুর মশক তাকপদা লমদম অসিগী লিভিং লিজেন্দশিংগী মপাল নাইদ্রবা থৌদাং - ২

- তোংব্রম অমরজিৎ -



মণিপুরীশিংনা কাউবা ঙম্লোইদবা, পুৱারীদা অমুবা কালিনা ইদুনা লৈহৌরগদবা থৌদোক অমা হায়রগদি ২০২৩গী মে ৩গী মীতৈ-কুকি অনীগী কাঙলূপকী লান অসিনি। কয়াদা লাইবক থীরবা থৌদোক্লো। মপাল ফন্না মরোমদোম লেপচবা ঙম্লক্লবা, মালেমগী মীয়াম্না কল্লক্লবা ওইরবা সনা লৈবাক মণিপুর লৈঙাক্কী করম্বা অশোয়বা থৌশিলনা অসুক থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক অসি থোকখ্রিবনো হায়বসি খল্লুবদা মীয়ামদি ফুম্বংনরি ঙসিসু। লাইবক থীবা থৌদোকশিং, কাঙলূপ-ফূরুপকী মুক্লবা, য়েংথীনবা, অপীকপা ৱাখল থম্মোয় পূন্নমক অসিবু তুংওইনদুনা মীৎয়েং শানবা তুংগী খনবা উবা ঙম্বশিংদি মখোয় মখোয়না তৌরিবা থবক, চংশিল্লিবা খোঙথাং হনবা লৈতনা হোৎনরি। লান হায়বসিনা মীওইবা খুন্নাইদা করিসু অফবা পুরকপা লৈখিদে। লান হায়বদু থেংনদুনতা লাক্লবা মণিপুরীশিং, মীতৈশিংদি নাচুংদে। অকিবা হায়বদুসু লৈতে ঐখোয়দা। অৱা লান্দা চহী তরেৎ খুন্তাক লানশিখি অদুবু থৌনা লৈনা হিংদুনা লাক্লি। ঐখোয় হিংখিগনি অমদি মালেমগী মীয়ামদা হেন্না মশক তাকখিগনি ঐখোয় লৈরি হায়বা স্পিরিট অসিনা। পোক্লফম ইমাবু নুংশিবা মচা লিশীং লিশীং থোক্লকপা লেপ্তে। অপূনবগী খোল্লাওসু লাউরি, য়েলহৌ ফূরুপ পুনশিল্লক্লি। হেন্না লিংজেল মান্নরক্লি। পূক্লিং থম্মোয় অমদি ৱাখল মান্নবশিং অমত্তা ওইনা পুন্দুনা চীংলৈবাক্কী ইমা মণিপুরগীদমক পাম্বোম তিংলক্লি ঐখোয় লৈরি হায়না। মসিদবু ঙসিগী মীরোললনা তূমিন্না লৈথোকপা য়ারিব্রা? নোংমা হায়বা কোরৌ নুমিৎ অসিগী মনুংদা মীকুপ খরদি ইমা লৈবাক অসিগী করি য়াইফবা থবক তৌসিগে, তুংগী মীরোলগীদমক করি ফিদম্নফম ওইবা থবক তৌরমসিগে হায়বসি খনফম থোক্তবরা, খনফম থোকই। থবক্লা উৎফম থোকই। মরমদি লমদম অসিগী ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক-লৈহাওনা তাইবঙ পূন্সি অসিবু হিংহল্লিবসিগী খোল্লাং লমনদি লমদম অসিগীদমক অফবা থবক খরা পাঙথোকপদুনা খরদং ওইরবসু শীংবা ঙম্বা শকচগে হায়না খনবা তঙাইফদবা লৈ। ৱাশক চেৎপা জপানিজশিংগুম, শরি ৱাশক ঙাকপা ঙম্বা থৌনা লৈবা, লৌশিং চাউবা মপারি মমোমশিং লেপ্তুনদি থোক্লক্তবা নত্তে মণিপুরদসু। শকখঙবীনবদি ৱাৎলবসু মখোয়বুদি ইকায়খুম্নবা উৎতবা ঙমদে সাহিত্য থৌপাং লূপ (শাথৌলূপ) না। অদুনা মীতৈ-কুকি অনীগী কাঙলূপ-ফূরুপকী লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈঙাক্লা লৈরবসু লূপ অসিগী মিশনদি লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি।

২০২৫দা অমুক লিভিং লিজেন্দস কনা-কনা লৈরি লমদম অসিদা হায়দুনা কোয়না শান্না থিরকখি। লান তৌদুনা অসুম লৈগদবা নত্তে। পূক্লিং ৱাখল শোন্থবা হৌনদে। শাথীখ্রবা কোভিদ-১৯ ফাওবা মায়থীবা পীখ্রবনি। করিসু নত্তবা লাননা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা লিপুন, চীং-তমগী নুংশিবা মরী কায়নবা য়াবা হৌনদে হায়বসিদা চেৎনা থাজবা থল্লি। মণিপুর মশক তাক্লিবা, মণিপুরগী পাঙ্গল ওইরিবা, লমদম অসিগী মপী-মপা ওইরিবশিং, লম্ কয়াদা চাউরবা খুদোল তন্নিবশিং মখোয়গী পূন্সি, মখোয়গী পান্দম পূন্নমক ঙসিগী মীরোলনা, খুন্নাই অসিনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নফম থোকই হায়বসি খোরিরোলগী থবক থৌরম তৌদুনা মণিপুরী খোরিরোলবু চাওখৎনবা লেপ্তুনা হোৎনরিবা শাথৌলূপ্পা চেৎনাথাজে। অদুনা ঐখোয়গী কলচর মশক তাক্লিবা পুংগীওজা য়ুম্লাম জাত্রাবু ইকায়খুম্নবা ওইনা লিভিং লিজেন্দসতা ওজা অসিবু লৌখৎখি। মণিপুরী জগোয়বু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকখিবী লময়ানবী ওজা থিয়াম সূর্যমুখিসু ইকায়খুম্নবা উৎখি। মহাক্কী নুংশিরবা শক্তম অমদি তেন্তকপা পূন্সি ৱারী লৌখৎখি। শুমাং লীলাগী দেবদাস শাবা (ইনাকখুনবা) ওজা অসিবু লিভিং লিজেন্দস ওইনা লৌখৎখি। মণিপুরী লাই হরাওবগী ওজা ধোনি মাইবীসু মহাক্কী চাউরবা, মপাল নাইদ্রবা খুদোল অদুগী লিভিং লিজেন্দসতা য়াওখি। অসুম্না লৈবাক্লা শকখঙনরবী শৈশকপী চোংথাম কমলাসু য়াওখি লিভিং লিজেন্দসকী লিষ্ট অসিদা। খোংজেম পর্ব্বগী শক্লাইরবী শৈশকপী লাইশ্রম মনি দেবী, মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরবী এক্টর য়েংখোম রোমা, অইবা অমদি নোভেলিষ্ট বি এম মাইস্নাম্বা, ওলিম্পিয়ন নিলকমল, মেদিকেল সাইন্স অমদি হকশেলগী লম্‌দা লমদম অসিগী তোমথিল ঙাল্লিবা ডাক্তরশিংগী মরক্তা ডা. থাংজম ধবলি অমসুং ডা. খুন্দোংবম পালিন য়াওরি। ফোক ম্যুজিকতা রুইবেন মশংভা পূন্না মখোয় ১২নি ২০২৫গী কেলেন্দরদা হাপখিবা। হায়রিবা লিভিং লিজেন্দশিং অসিগী মমিং তাদবা মীওই মণিপুরদা পংলৈ লৈরম্লোই। মখোয়না মণিপুর খুন্নাইগীদমক পাঙথোক্লিবা থবকশিং শীংথানীংঙাই ঙাক্তনি। আইদিয়া ওফ মণিপুর হায়বদু ঐখোয়গী লিভিং লিজেন্দশিং অসিনা থবক অমদি মখোয়গী পূন্সিনা তাক্লি। মসিনি তমজগদবদি ঙসিগী মীরোলনা। হায়রিবা ২০২৫গী লিভিং লিজেন্দসকী ৱাল কেলেন্দর অসি মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিং, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং মফম খুদিং য়ৌহনবগী পান্দমদা পুথোকখি। মায় পাকখি। হোস্পিটালদা, ওফিসশিং, স্কুল, কোলেজ কয়াদা শন্দোকখি। মণিপুরগী মপান্দা থাখি। পূন্নমক্লা থাগৎনখি। কেলেন্দর অসিনা চুম্নগী মতম তাকপদা শীজিন্নবখক নত্তনা ঐখোয়গীসু লেজেন্দশিং লৈরি হায়বসিদা চাওথোকচবা অমা ফাওনখি। হায়রিবা ৱাল কেলেন্দরগী খোঙচৎ অসি ২০২৬কী ওইনসু মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা হৌখিবা জন্যুৱারী ৪, নোংমাইজিং নুমিৎতা লমদম অসিগী লোক সভাগী এম পি মীয়ামগী ওজা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা শক্লাইরবা লাইয়েকপা আর কে বুধিমন্তনা প্রিসাইদ তৌদুনা অমদি ওজা নহাকপম অরুনানা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইদুনা অমদি শাথৌলূপকী এদভাইজর, সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি শরতচান্দ থিয়াম অমদি লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম অমরজিৎসু শরুক য়াদুনা পূন্না কেলেন্দর অসি ওফিশল ওইনা ফোঙদোকখি। ২০২৬কী ৱাল কেলেন্দর অসিদা অইবী চোংথাম জামিনি, স্কোলর অমদি থিএটরগী মমিং লৈরবা ওজা অরাম্বম লোকেন্দ্র, শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট লৌশিগম মঙ্গিচান্দ, থিএটর অমদি ফিল্মগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট হিজম শ্যাম, নট-সঙ্কীর্ত্তনগী লম্‌দা শক্লাইরবী ওজা য়ূম্লেম্বম গম্ভিনী, মণিপুরী মতম ঈশৈগী শৈশকপী অরাম্বম যমুনা, জগোয়দা শক্লাইরবী গাংমৈ আলুনা কবুইনি, মণিপুরী খোরিরোলদা অইবা আই এস কাংজম, স্পোর্টসতা লৌরেম্বম টিকেন সিংহ অমদি ক্ষেত্রিময়ূম থোইবা, ওন্ত্রপ্রেন্যুওর অমা ওইনা মায় পাক্লবা থাংজম জয়কুমার, ফুটবোল হায়বা মশান্না অসিদা নুপী মরক্তা লময়ানবী ওইরবী ফতিমা বেগম। পূন্না থা ১২গী মশক নাইরবা অমদি ফিদম্নিংঙাই ওইরবা লিভিং লিজেন্দস ১২সিনা ২০২৬কী ৱাল কেলেন্দর ওইরি। মণিপুর মশক তাক্লিবা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংবু লেপ্তুনা ইথিল পীরিবা মখোয়গী পূন্সি অসি তমজনীংঙাই ৱারীনা পাথোক্লন্দুনা য়াওরি।





ময়াম অসিগী মরক্তা লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাওদা মসা-মরেং ফন্না অকিবা লৈতনা পান্দম অমগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা 'লিক্লা' ব্রান্দগী ফাউন্দর অমদি মেনেজিং দাইরেক্টর থাংজম জয়কুমারগী থৌনা লিংজেল অমদি হোৎনবা কনবা, নীংহন্নদবা লিংজেল অসিবুদি পূন্নমক্লা থাগৎনীংঙাইনি। মপাল লমদগী পুশিল্লক্লগা অয়াম্বা শীজিন্নরম্বা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ঙসিদি 'লিক্লা' না ফন্না য়াম্না মহুৎ শিঞ্জিল্লক্লি। ঙসিদি থাংজম এগ্রোগী মখাদা মীওই ৯০০ হেন্না থবক পীদুনা ইমুং কয়াগী শেঙ্থোক লম্বীসু শেল্লি। শেন্নীৎলোন্দা চাউনা অহোংবা পুরক্লি। কান্নবা কয়া লেপ্তুনা পীরক্লি। মসিনি অনৌবা মণিপুর। মসিনি ঐখোয়গী লিভিং লিজেন্দশিং লৈজবগী চাউথোকচবসু। অতোপ্পা লম্‌দসু লেপ্তুনা থোক্লক্লি। ঐখোয়গী লিজেন্দস মশীং হেনগৎলক্লি। মখোয়বু পূন্নমক্লা পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -৯

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

মৈঙান্না পুমঙাল ঙাল্লবা মচু তরেৎকী চা থকফমদু থাদোক্লগা ঐখোয় কৈথেল অমা ফাওরগা চীংয়াগী অমম্বা লম্বেলদা ৱারী শানা শানা লাকপদা ওজা সরতচান্দনা বাংলাদেশ লিবরেশন ৱারদা য়াওরুবা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা বাংলাদেশকী ফ্রীদম ফাইটর মাইমোম মনমোহোনগী ৱারী লীবিরকই। মহাক্কী মনাক্তা চঙবগী মতম ফংলগদি ওস্থোক্লা নুংঙাইগদবনি। ইকায়খুম্নজরিবা অহলদু অমুক্তং উন্নবগী মতমদুবু ফংগদ্রা ফংলোইদ্রা খঙদ্রে হায়না শোল্লি। ফ্রীদম ফাইটর অহলদু মণিপুরদা ২০১৭তা শাথৌলূপনা শিনবা 'ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেল' দা শরুক য়াবা লাক্লম্বদা ওজা সরতচান্দনা খোংজোম ৱার মেমোরিএলদা পুদুনা বাংলাদেশকী মণিপুরী অথৌবা অসিনা মণিপুরগী অথৌবা পাওনাগী মফমদা সেল্যুট পীরমখিবগী ৱারীসু পল্লকই। অতোপ্পা মরু ওইবা মফম কয়া অমসু পুদুনা য়েংহনখিবদা অহল ইবুংঙোদুনা কয়াদা পেঞ্জখিবা। বাংলাদেশকী ফ্রীদম ফাইটর অহল ইবুংঙো মনমোহনসি ১৯৪৭তা পোকপনি, হৌজিক্তি মহাক চহী ৭৯ শুরল্লনি তম্মী। মহাক হাবিগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী Chunarugath Police Station গী মনুং চনবা Bisgaon খুঞ্জাওগী গোবারখোলা খুঙ্গংদা পোকখি। হৌজিক্তি মহাক সিলেট টাউনগী Keoyapara কৌবা খুলদুদা লৈ। বাংলাদেশ লানদুদা মহাক ফৈরুদা নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা শোকখি। লায়েংদুনা ফরবা মতুং অমুক হন্না লান য়াওখি। মহাক্কী লানদা থৌবা, মরীল লৈবা মতৌদু উরগা মতমদুদা সব-ইন্সপেক্টর কম্মান্দর ওইবা অজাজ অহমদনা মঙোন্দা সর্টিফিকেট অমা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। তশেংবদি মৈতৈগী ঈদা লান হৈবা, থৌনা লিংজেল, মমা লৈবাক্কীদমক কথোকপা ঙমখিবা অদুগী চাদা নৌদা ওইরুবনা বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈ নহারোল কয়ানা বাংলাদেশকী নীংতম লান ১৯৭১দা মমালৈবাক থৌগলগীদমক চোংথোরকখি। য়েক্লবগী লান্মীগা মায়োক্লবদা অশোক অপন কয়া য়াওখি। মণিপুরী মৈতৈশিংনা লানদুদা চোংথোরকখিবগী মরমদি মখোয় মৈতৈ ওইরবসু লমদমদুদা পোকপনি, লমদমদুদা চাউরকপনি। পোক্লফম লমদম অদুবু য়েক্লবগী খূৎতগী কখোকপা অমগা লোয়ননা কলহৌনবনি। কয়াদা মরীল লৈরিবা বাংলাদেশকী মণিপুরী মৈতৈশিংদো। নীংতম লান অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরী ফ্রীদম ফাইটর ময়ামগী মমিংদি (১) মাইমোম মনমোহন, বিসগাওন (২) করাম নিলবাবু সিংহ, বিসগাওন (৩) নিলচান্দ দত্ত, বিসগাওন (৪) মাইবম প্রমোদ, বিসগাওন (৫) খোইরোম নিলবাবু, বিসগাওন (৬) খোন্দ্রাম প্রতাপ, নিলধারি (৭) অরাংবম অর্বিন্দ, নিলধারি (৮) য়ূমখাম ললিৎ, নিলধারি (৯) এল হরেন্দ্র, ব্রাইটাল্লি (১০) হেনাম সনাতোন, নালধারি (১১) লৈখিদ্রবা থাংজম জিতেন, সিলেট (১২) সাইরেম কিরন, সিলেট (১৩) কে দিলিপ, সিলেট (১৪) টি অবানি কুমার, সিলেট (১৫) অদিত্য শর্ম্মা, সিলেট (১৬) নিলমনি (নোনি) সিলেট অসিনচিংবনি।

মমা লৈবাক বাংলাদেশকীদমক মথৌনা লৈনা য়েক্লবা কোঙ্গাই মায়োক্লরম্লগা লৈখিদবশিংদি (১) থোকচোম কৃষ্ণমোহন, বিসগাওন (২) থোকচোম অকশৈকুমার, বিসগাও (৩) এম নরেন্দ্র সিংহ, বিসগাওন (৪) করাম অতেন, বিসগাওন (৫) ঈ কুল্লচন্দ্র, বিসগাওন (৬) খাইদেম রমন, সিলেট (৭) নোংমাইথেম গৌরমো, সিলেট (৮) খোংবান্তাবম খগেন্দ্র (বোগে), সিলেট (৯) খোংবান্তাবম খোমদোন, সিলেট (১০) গৌরচন্দ্র, শোটো ধমাই অসিনচিংবনি। ৱারীশিং অসি হন্দক্কী বাংলাদেশ খোঙচৎ অসি চৎলমদ্রবদি খঙলম্লোই...।

ৱারী শানা-শানা লাকপদা অমম্বা নুমিদাং ওইবনা গাড়ীগী থোঙনাওদগী ফজবা সহরসু উদ্রে। টাউন খরা ফাওরগা ভানুগাছ য়ৌরনি হায়রকই। ভানুগাছ হায়রিবা মফমসি কমলগঞ্জ উপজিল্লা (সব দিষ্ট্রিক্ট) গী মনুংদা লৈবা লম অমনি। Moulvibazar district কী মনুং চনবা মফমনি ভানুগাচ। মসিদনি মৈতৈ তাবা খুঙ্গং কয়া লৈরিবা। ভানুগাছ হায়না খঙনবা মফম অসিদা মৈতৈ তারিবা লমশিংদি Mangalpur, Chitliya, Nilkuthi, Shaychiri, Madhavpur Haktiyarkhola, Kotabil, Sripur, Ganganagar, Bhanubil, Tetaigaon (মঙ্গে মখোঙ), Nayapattan, Shangaon অমসুং Konagaon নি। ধাকা সিটিদসু মণিপুরগী মহারাজ দেবেন্দ্রনা লৈরম্বগী ৱারী লৈ। মণিপুরগী পুৱারীদা মহারাজ অসিবু ঐখোয়না ধাকাতাবা হায়না খঙনৈ। মৈতৈনা ধাকাদা লৈরম্মী হায়বগী খুদম্বু ধাকাদা মণিপুরীপারা কৌবা মফম অমা লৈ। অদুবু ঙসিদি মৈতৈদি লৈত্রে মমিংতা ঙাইরে হায়। লন্নাই ওইনা ফ্লেট লৈরগা লৈবা অমসুং লৈঙাক্কী থবক তৌবা খরবুদি লৈনরি তল্লকই।

সিটিগী ম্যেন রোদতগী টাউন মচা অমগী লম্বেল খরা ফাওরগা ঐখোয়না লৈগদবা মফম Tetaigaon দা লৈরিবা মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্সতা য়ৌরক্লে। সহরদগী চিদাই খিত্তং ওইবনা ষ্ট্রীট লেম্প থান্দে, য়ূম-য়ূমগী কম্পাউন্দদা থান্নরিবা মৈঙালদু খক্তনি উরিবা। মমত্রিক মম্বা লম্বী মতেক অমা হেক চঙলকপগা য়েৎলোমদা উরে চাউরবা ইলেক্ট্রিককী মৈঙান অমা। মৈঙান্দু উরগা নীংশিংলকই নহা ওইরিঙৈদা য়াওশঙ থাবল থিবদা অমম্বা মরক্তা তাম্না উবা ট্যুব লাইটকী মৈঙালদুগী মায়কৈ থিরগা চৎলকপদু। ইবুংঙো ড্রাইভর দিপক মাল্লিক গাড়ী য়াম্না ঈংনা তপ্না থৌই। মবুক তপ্পী। মানা থৌবা হৈবনা ঐখোয়দা ৱাবা খরা হন্থরিবনি। মৈতৈ মচা চন্দ্রাসনা নুপীশিংনা তোংবা অতোপ্পা গাড়ী অমদু থৌবদু ঐ কাউদ্রি। মাসু অদুম চপ মান্নে। মখোয় অনীমক ৱারম্লনি, গাড়ীদু তপথরে, মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্সতা থৌজিল্লে। চাউরবা অঙৌবা মচু তৈবা বিল্ডিং অদু উবদা ঐনা খনখি- বাংলাদেশ মণিপুরীশিংনা বিল্ডিং অসি শানবা হোৎনবদা ৱারমগদবা অমসুং ওইনবা হোৎনবদা মান্নবা লিংজেল ফূদোক্লমগদবদু ঐনা অদুম ৱাখলনা শাগৎচৈ অমসুং খনখি - ককচেংগী মান্নবা লিংজেল, খোইগী হোৎনবা কনবগী থৌনাদু নীংশিংহল্লে অদুবু ময়ামদগী খরা হেন্না কথোকপা মীওই খরদি চংই বিল্ডিং অসি ওইনবা হোৎনবদা। থৌদাম চন্দ্রকীর্ত্তিনা ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিশন্সতা তোইনা চৎখি অমসুং লৈফ্রাকপম ব্রজগোপাল, বিশ্বাজিৎ, লোকেন্দ্র শর্ম্মা, চন্দ্রমোহন সিংহ হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ম্যেন প্লান্নর ওইদুনা হৌবদগী হোৎনরকখিবগী ৱারী কয়া লৈ। বিল্ডিং অসি শাবদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থংগী মতেং ফংখি, মতেং অসি ফংবদা মতমদুদা ইন্দিয়ন হায় কম্মিশন্স বাংলাদেশতা ফর্ষ্ট সেক্রেটরি ওইবিরম্বা মণিপুরগী তাঙ্খুল মচা Mr. Masakui Rungsung IFS কী থৌদাং চাওই। মহাক ওক্টোবর ২০১১-ওক্টোবর ২০১৪ ফাওবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিশনদা ফর্ষ্ট সেক্রেটরি ওইরম্মী। মণিপুরী মচা অসিনা মণিপুরীশিংনা খুন্দানা লৈরিবা মফম অদুদা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরবু অৱাংবা থাক্তা হিংহন্দুনা থম্নবা পান্দমদনি মহাক্লা মতেং পাংলল্লিবা। থাগৎতবা ঙমদে Sir Masakui Rungsung বু। ২০১৩দা মহাক মণিপুর কলচরেল কমপ্লেক্স অসিদা ইন্সপেক্সন লাকখি। মহাক লাকপদা মণিপুরী মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকখি, মণিপুরী জগোয় রাস উৎখি। হায়রিবা Mr. Masakui rungsung অসি ঐগা ২০১৭কী ওক্টোবর ১০দা, মহাক্লা প্রমোশন ফংলবা তুং জিম্বাবৱেদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইরবা মতমনি। মহাক্লা জিম্বাবৱেদা কোইরকউ হায়রম্বদু নীংশিংলি। উন্নদুনা শকখঙ মায়খঙনখ্রে। নুমিৎতু য়াম্না থাজবগী ৱাংমদা মণিপুরী মচা দিপ্লোমেট অসিনা আর কে সী এস ম্যুজিয়ম য়েংবা লাক্লম্বদো নীংশিংহল্লে। অতোপ্পা মহাক্লা লোয়নরকপা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটতুদি চান্দেলদগী Robert Shethintong, Deputy high commission of India to Tanzania নি। মহাক্লা আর কে সী এস ম্যুজিয়মগীদমক তাঞ্জানিয়ন মাস্ক অনী খুদোল তৌবীরকপা পূন্সিগী কাউজরোই। ২০১৫দা মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্স অসি শঙ্গারবা মতুং ইন্দিয়ন হায় কম্মিসনগী অৱাংবা থাক্কী টিম অমনা কলচরেল কমপ্লেক্স অসি য়েংশিনবা জুন ২৭, ২০১৬, নিংথৌকাবা - জুন ২৮ মফমদু থাদোকখি। মণিপুরগী নাৎ ওইবা মখল কুম্মৈ কয়া উৎখি। মণিপুরী জগোয় রাস য়াওনা মখল মথেলগী কুম্মৈ কয়া উৎখি। হে অথোইবা মণিপুরী মচা Mr.Masakui Rungsung নহাক্লা ইন্দিয়ন হায় কম্মিশনগী ফর্ষ্ট সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা বাংলাদেশ মণিপুরীগীদমক অচৌবা খুদোল অমা নহাক্লা তৌবা ঙম্বা থাক্তা তৌবীরম্বা অদু বাংলাদেশ মণিপুরীশিংনা মতম পূন্নমক্তা কাউফম থোক্তে। ●



Mr. Masakui Rungsung, IFS, Iindian high commission গী ফর্ষ্ট সেক্রেটরিবু মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্সতা ওকপা

(...মখা চথরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।